# ষ্টেট ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০২৪ হৌদোকখ্রে



**ইম্ফাল, জুলাই ২৩(ঐচ এন এস):** মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএসন (এম বি এ)না শীন্দুনা ঙসিদগী হৌরগা য়োনেক্স সনরাইজ ৪১শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ৬৮-শুবা ষ্টেট ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ হৌদোকখ্রে।

দি এম য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতা লৈবা এম বি এ ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হৌদোকখিবা থা অসিগী ২৭ ফাওবা চথুগদৌরিবা বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ অদুগী হৌদোকপগী থৌরমদা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর থোঙাম বিস্বজিৎ, হেল্থ মিনিষ্টর ডা. সাপম রঞ্জন, সোসল ৱেলফ্যের মিনিষ্টর হৈখাম দিঙ্গো, ময়াং ইম্ফাল এ সীগী এম এল এ কোংখাম রোবিন্দ্রো অমদি জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী দিরেক্টর পুখ্রম্বম বিলাসনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা মিনিষ্টর বিস্বজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, বেদমিন্টনগী ওইনদি ঙসি হৌদোক্লিবা অসিনা ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী চাওবা ওপন চেম্পিয়নশিপনি। চেম্পিয়নশিপ অসি ঐখোয়না তরাইনা লৌরোইদবনি। শান্নরোয়শিংনা ঙাইহাক হুমাং লৌথোকপা লাকপনি হায়না খনবা য়ারোই। চেম্পিয়নশিপ অসিদগী শেমগৎতুনা মপূং মরৈ ফারবা মতমদা মণিপুরগীদা নৎতনা লৈবাক অসিগী মায় পুরকপা ঙমগদৌরিবনি। মরম অদুনা শান্নরোয়শিংনসু য়াম্না থৱায় হকচাং য়াওনা শান্নগদবনি অমদি এসোসিএসন অসিনা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংদা অহেনবা মতেং পাংশিন্দুনা লমদম অসিদা বেদমিন্টনবু চাওখৎহন্নবা ঐখোয় পূন্না হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই হায়খি।

দিষ্ট্রিক্ট অয়াম্বদা হৌজিক বেদমিন্টনগী কোচশিং থাবা হৌরে। কোচশিং অসিগী মতেংনা অফবা শান্নরোয়শিং শোয়দনা পুথোকপা ঙমগনি হায়বগী চাওনা থাজবা লৈ। দিষ্ট্রিক্ট অমদগী য়ামদ্রবদা শান্নরোয় ৫দগী তাদনা লৌখৎলগা শেম্বী-শাবীরবদি মণিপুরনা শোয়দনা নেসনল লেভেলদা অদুম্মক মায় পাকপা ঙমগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা হেল্থ মিনিষ্টর ডা. সাপম রঞ্জননা হায়, লৈকাই খূদিংদা বেদমিন্টন কোর্ট মচা-মচা শেমদুনা নহাশিংনা মশান্না অসিবু থৱায় য়াওনা শান্নরকপদগী ঙসিদি বেদমিন্টন মীয়াম্না হেন্না পাম্নবা মশান্না অমা ওইরক্লি। নহাশিংনা মশান্না অসিদা মীৎয়েং চঙলক্লিবা অসিদা ঐখোয়না অহেনবা মতেং পাংশিন্দুনা মখোয় য়োকখৎলবা অমদি ওজা নাইনা মফম খূদিংগী তন্বীরবদি মশান্না অসিগী ওইনা মণিপুরনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মমিং লৈবা বেদমিন্টন শান্নরোয়শিং পুথোকপা ঙমগনি হায়বসিদি শোয়দ্রবা ৱাফমনি হায়খি।

মিনিষ্টর দিঙ্গোনসু পাঙথোক্লিবা চেম্পিয়নশিপ অসিনা লমদম অসিদগী অফবা শান্নরোয় কয়া মায় পাক্না পুথোকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়খি।

অমরোমদা ঙসি হৌদোকপা নুমিৎকী ওইনা জুনিয়র বোইজগী টিম ইভেন্টতা এস দি বি এনা টি দি বি এবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদনা আই ঈ দি বি এনা জে বি দি এ, কে দি বি এনা আই দব্লিয়ু দি বি এ মায়থীবা পীখ্রে।

জুনিয়র গর্লসকী টিম ইভেন্টতনা আই দব্লিয়ু দি বি এনা বি দি বি এ মায়থীবা পীখ্রে। মেন্স টিম ইভেন্টকীদনা এস দি বি এনা আই ঈ দি বি এ, টি দি বি এনা কে দি বি এ মায়থীবা পীখ্রে।

# দুরান্দ কপ ২০২৪ : হৌদোকপা নুমিৎতা মোহন বগান সুপর জাইন্ট অমসুং দাউন টাউন হিরোজ লম্বা তৌনরগনি

**কোলকাটা, জুলাই ২৩(এজেন্সী):** এসিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী লীরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা দুরান্দ কপ থা অসিগী ২৭তগী কোলকাটাদা হৌদোল্লগনি। অহানবা হৌদোকপা নুমিৎতা মোহন বগান সুপর জাইন্ট অমসুং দাউন টাউন হিরোজ অনীগী মরক্তা লম্বা তৌনরগনি।



১৩৩শুবা দুরান্দ কপ এদিসন অসিদা পূন্না টিম ২৪না শরুক য়াদুনা অথোই-অহেন চাংদম্নগনি। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা দুরান্দ কপকী ওইনা পূন্না মেটচ ৪৩ রাউন্দ রোবিন লীগ ষ্ট্রকচরদা শান্নগনি। মদুগী মতুং নোকআউট গেমস শান্নগনি। দুরান্দ কপকী মেটচশিং অসি লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা সিটি ৪দা পাঙথোক্কনি। পাঙথোক্কদৌরিবা সিটিশিং অদুদি কোলকাটা, কোক্রাঝার, শিল্লোং অমসুং জমশেদপুরনি। কম্পিটিসন অসিদা ইন্দিয়ন সুপর লীগ, আই লীগ, ইন্দিয়াগী আর্মদ ফোর্সেস, নেপালগী আর্মদ ফোর্সেস অমসুং বাংলাদেশকী আর্মদ ফোর্সেসশিংসু শরুক য়াগনি। গ্রুপ ষ্টেজগী ওইনা অরোইবা মেটচতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন মোহন বগান এস জি অমসুং ইষ্ট বেঙ্গল এফ সীগী মরক্তা লম্বা তৌনগনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা কপ অসিদা টিম ২৪না পূন্না গ্রুপ ৬ খায়দোক্তুনা লম্বা তৌনগনি। গ্রুপ এদা য়াওরিবা টিমশিংনা মোহন বগান এস জি, ইষ্ট বেঙ্গল এফ সী, ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স ফুটবোল টিম, দাউন টাউন হিরোজ এফ সী, গ্রুপ বিদনা বেঙ্গলুরু এফ সী, ইন্টর কাশি, ইন্দিয়ন নেভি ফুটবোল টিম অমসুং মোহমেদ্দন এস সী য়াওরি। গ্রুপ সীদা য়াওরিবা টিমশিংনা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সী, মুম্বাই সিটি এফ সী, পঞ্জাব এফ সী, সী আই এস এফ প্রোটেক্টর্স এফ টি, গ্রুপ দিদা য়াওরিবশিংনা জমশেদপুর এফ সী, চেন্নাইন এফ সী, ইন্দিয়ন এফ টি, বাংলাদেশ আর্মি এফ টি, গ্রুপ ঈদা য়াওরিবশিংনা ওরিষ্যা এফ সী, এন ঈ য়ুনাইটেদ এফ সী, বোরোলেন্দ এফ সী, বি এস এফ এফ টি অদুগা গ্রুপ এফতা য়াওরিবশিংনা এফ সী গোৱা, হায়দরবাদ এফ সী, শিল্লোং লাজোং অমসুং ট্রিভুভান আর্মি এফ সীনি।

# এফ সী কুম্বী মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৩(ঐচ এন এস):** ইন্দিয়ন আর্মিনা শীন্দুনা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি গ্রাউন্দদা চথুরিবা কার্গিল বিজয় দিবস ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ওইনা ঙসি এফ সী কুম্বী অমসুং য়ু ৱাই টি এফ সী থম্নাপোকপীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা এফ সী কুম্বীনা য়ু ৱাই টি এফ সীবু মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২.৪৫ তাবদগী হৌরগা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা এফ সী কুম্বীগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচকী ২৬শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় নিমাইচান্দনা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু এফ সী কুম্বীনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্বগী খূদোংচাবা লৌদুনা মখা তানা পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি। পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৪৮ অমসুং ৬৭শুবা মিনটতা নিমাইচান্দনা অনী অদুগা ৬৬শুবা মিনটতা হিটলরনা অমা চনখিবনি। মেটচ লোইবা ফাওবদা য়ু ৱাই টি এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু এফ সী কুম্বীনা পাঞ্জল ৪-০দা মায় পাকখিবনি।

# মিষ্টর ইন্দিয়াদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৩(ঐচ এন এস):** ইন্টরনেসনল নেচরেল বোদি বিল্ডিং এসোসিএসন (আই এন বি এ) ইন্দিয়ানা শীন্দুনা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ২১ অমসুং ২২দা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোলকাটাদা পাঙথোক্কদৌরিবা আই এন বি এ সেকেন্দ মিষ্টর ইন্দিয়া ২০২৪দা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংগী মমিং লাউথোকখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ইন্টরনেসনল নেচরেল বোদি বিল্ডিং এসোসিএসন (আই এন বি এ) ইন্দিয়াগী জেনরেল সেক্রেটরি এন সভেকুমারনা খূৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি সেমসন ওইনাম, কাচিভিদাই রিয়ামৈ, লাইশ্রম সুশান্তা, সোইবম সনাথোই, ওইনাম নিশিকান্ত, খোইস্নাম পোপুসনা, য়ুম্নাম তোম্বা, মোইরাংথেম রাজেশ, প্রিভাসিল, থোঙাম দেবতাজি, সুসুই নিংঙোম্বম, ৱাংখেম ধবলি, নিংথৌজম উত্তম অমসুং লক্কি য়ুম্নামনি।

# ঈ এস য়ু, য়ু পি এ এ মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ২৩(ঐচ এন এস):** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)গী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)না শীন্দুনা হৌজিক চথুরিবা অহুমশুবা অম্ফা কপ ২০২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ঈ এস য়ু)না ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিএসন (অমোফা) অদুগা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিভ এডল্টস এসোসিএসন (য়ু পি এ এ)না ইম্ফাল এফ এ মায়থীবা পীখ্রে।

আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ লম্লোংথোংখোঙদা নুংথিল পুং ১ তাবদগী হৌরগা ঈ এস য়ু অমসুং অমোফাগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ঈ এস য়ুনা অমোফাবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীরমখিবনি। ঈ এস য়ুগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৩ অমসুং ৮১শুবা মিনটতা এল অজে মৈতৈনা অনী অদুগা ৪৩শুবা মিনটতা এস রাহুলনা অমা চনখিবনি।

অমরোমদা ইম্ফাল এফ এ অমসুং য়ু পি এ এগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা য়ু পি এ এনা পাঞ্জল ৩-০দা মায় পাকখ্রে। য়ু পি এ এগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৩০, ৩৮ অমসুং ৪০শুবা মিনটতা ঙাথেম ইমর্সন মৈতৈ, কে ঐচ হেমলেট অমসুং ৱাজিদ খাননা অমমম্ চনখিবনি।

ASIAN INTERNATIONAL UNIVERSITY
ESTABLISHED UNDER SECTION 2(F) OF UGC ACT, 1956.
Approved by Pharmacy Council of India
NOTIFICATION
ADMISSION OPEN
2024-25
BEST COURSES AFTER 12TH
Choose Your Career in Pharmacy




D.Pharm
Duration : 2 Years
Eligibility : 10+2 with PCB/ PCM
B.Pharm
Duration : 4 Years
Eligibility : 10+2 with PCB/ PCM
Lateral Entry B.Pharm
Duration : 3 Years
Eligibility : Diploma in Pharmacy
Contact For Admission
-Sd- Registrar
HL-B/8291/12
:9810301896 | 9205080386
Email: info@aiu.edu.in | Website: www.aiu.edu.in
CAMPUS: Ghari, Awang Leikai, Imphal West, Manipur-795140.

VEHICLES / MACHINERY / PENSION LOAN AVAILABLE
(used vehicles exchange offer)

- # 2/Wheeler : Classic 350, Hero Xtreme 160R, Jawa 350, Activa, Dio, Jupiter etc.
- # 3/Wheeler : Diesel Auto, Petrol Auto, e-Rickshaw etc.
- # 4/Wheeler : Eco Van, Super Carry, Tata ACE Gold, Jeeto etc.
- # 4/Wheeler : Thar, Alto 800, Tata Nexon/ Punch/ Tiago + Luxury cars etc.
- # Machinery : Stone Crusher items, Flex Printer, Rice Mill, Tyre Fitting set, Car Wash Machine set etc.
- # 2/3/4 Wheeler used vehicles exchange গী offer পীজরি।
- # State/Central Pensioner শিংগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% p/m গী Interest তা Pension Loan গী খূদোংচাবা পীজরি।

EMPLOYMENT NEWS
# Car Wash Helper, Tyre Fitting Helper, Chicken Centre অমসুং Poultry Farm গী মী (Boy) পামজৈ।

Please Contact : L.G. Motors
Khagempalli Huidrom Leikai,
Mobile No. : 1) # 9362775475
2) # 9383154086
HL-B/8801/27/5-24/7(alt)




থৌদাং লৈবা টেক্সপেয়র ওইবগীদমক নহাকপু থাগৎচরি

নহাক্কী রিফন্দ দ্যু লৈব্রা?

লৈরবদি খঙজিনবীয়ু:

- রিফন্দ ক্লেম তৌবসি ভেরিফিকেসন চ্যেক তৌবগী মখা পোল্লি, মসিনা থেংথহনবা য়াই।
- আই টি আর চূম্না ফাইল তৌবনা রিফন্দগী প্রোসেস তৌবদা থুহল্লি।
- ক্লেম তৌবদা অশোয়বা লৈরবদি রিভাইস রিটর্নগীদমক অমুক হায়রক্কনি।

তৌগদবা
- ঈ-ফাইলিং পোর্টেল চাং নাইনা চঙবীয়ু।
- নহাক্কী আই টি আর প্রোসেসিংগা মরী লৈননা কম্যুনিকেসনশিং চ্যেক তৌবীয়ু।
- কম্যুনিকেসনদা য়ূম্ফম ওইরগা মথৌ তাবা এক্সন লৌখৎকনি।
- ক্লেম অদু চূম্না অমদি মরম চানা তৌগদবনি।

তৌরোইদবা
- টি দি এস এমাউন্ট লান্না ক্লেম তৌবা।
- নহাক্কী ইনকম অন্দর রিপোর্ট তৌবা।
- হেন্না কক্খিবা।
- শাশিন্নবা চাদিং ক্লেম তৌবা।

ঈ-ফাইলিং পোর্টেল লিঙ্ক https://www.incometax.gov.in/iec/foportal/ তা চঙবীয়ু অমসুং প্রোসেসিং ষ্টেটসকীদমক দাশবোর্দতা চঙবীয়ু অমসুং করিগুম্বা আইটেমশিং পেন্দিং লৈহৌরবদি Pending Action>>Worklist section তা চঙদুনা চ্যেক তৌবীয়ু।

লান্না ফাইল তৌবা নৎত্রগা শাশিন্নবা ক্লেম অসি চৈরাক ফংনিংঙাই ওই।

Income Tax Department
Central Board of Director Taxes
For more information, Scan QR Code
For further assistance, please visit the website of the Income tax Department: www.incometax.gov.in
@IncomeTaxIndia | incometaxindia.official | Income Tax India Official | @incometaxindiaofficial | incometaxindia.gov.in
cbc 15401/13/0003/2425

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com